# মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা আইপিএল সিজন টেনগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি



মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা মায় পাকপা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা রোহিট শর্ম্মা

*মুম্বাই, মে ০১ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন টেনগী ঙসি শান্নখিবা ৩৮ শুবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌনখি। মদুদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬২ লৌখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী ওপনর ওইনা কেপ্টেন ভিরাট কোলি অমদি মন্দিপ সিংহ শান্নবা চঙলকখি। মখোয় অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপতা রন ৩১ হাপচিল্লমখি। মন্দিপ সিংহ মশাগী রন ১৭ লৌদুনা লৈরিঙৈদা কার্ন শর্ম্মনা আওট তাহন্দুনা বেঙ্গলোরগী অহানবা ইন্নিংস তুখি।

ওপনর ওইনা থোরকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোলিসু বোল ১৪ দা সিক্স ৩ য়ৈরগা রন ২০ লৌদুনা ফজবা ফিভমদা লৈরিঙৈ মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বোল্লর মিটচেল মেকক্লেনাঘাননা আওট তাহন্দুনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা এবি দি ভিলিয়র্সনা বোল ২৭ তা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ৪৩ লৌরম্লবা মতুং মুম্বাইগী বোলর ক্রুনালনা আওট তাহনখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্সকী অপুনবা রন ১৬২ অদু লৌননবা হোৎনবদা কেদর যাদবনা লৌরম্বা রন ২৮ অমদি পৱান নেগিনা লৌরম্বা রন ৩৫ শিংথাবা য়াবা রন ওইখি। অদুগা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ২০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বোলরশিংগী মনুংদা মিটচেল মেকক্লেনাঘাননা ৱিকেট ৩, ক্রুনাল পান্দিয়ানা ৱিকেট ২, কার্ন শর্ম্মা অমদি জস্প্রিট বুমরাহনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা থল্লম্বা রন ১৬৩ গী টার্গেট অদু লৌননবা হোৎনরকপদা পার্থিব পটেল অমসুং জোস বট্টলর ওপনর ওইনা শান্নবা থোরকখি। পার্থিব পটেল মখোয়গী ইন্নিংস অদুগী অহানবা বোলদা অনিকেট চৌধরিনা আওট তাহন্দুনা মুম্বাইগী অহানবা ৱিকেট তুখি।

পার্থিব আওট ওইখ্রবা মতুং নিটিস রানা অমসুং ওপনর ওইনা থোরকখিবা জোস বট্টলরনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ৬১ লৌরমখি। জোস বট্টলর বোল ২১ দা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৩ লৌদুনা লৈরিঙৈদা পৱন নেগিনা আওট তাহন্দুনা মুম্বাইগী অনীশুবা ৱিকেট রন ৬১ দা তুখি।

বট্টলর আওট ওইখ্রবা মতুংদা মুম্বাইগী কেপ্টেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্মা অমসুং নিটিস রানানা মখা তানা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ৯ খক হাপচিল্লগা নিটিস রানা মশাগী রন ২৭ তা আওট তাদুনা মুম্বাইগী অহুমশুবা ৱিকেট রন ৭০ দা তুখি।

মুম্বাইগী কেপ্টেন ওইখিবা রোহিট শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উত্তুনা বোল ৩৭ তা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৫৬ লৌরমখি।

অতোপ্পা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বেটসমেনশিংদি রন ২০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে। মুম্বাইগী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মা অমসুং আওট ওইদনা রন ১৪ লৌখিবা হর্দিপ পান্দিয়ানা পার্টনর ওইদুনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা থল্লবা রন ১৬২ গী টার্গেট অদু ওভর ১৯ গা বোল ৫ দা রন ১৬৫ লৌখিবদগী মেটচ অদু মুম্বাইনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

# দেলে আলি অমদি হেরি কেনগী পাঞ্জলনা টোটেনহাম হোটস্পরনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটলগী আশা লৈহনখ্রে



টোটেনহাম হোটস্পরগী হেরি কেননা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওনা চেল্লকপা

*লন্দন, মে ০১ঃ*

ইংলেন্দগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরগী দেলে আলি অমদি হেরি কেনগী পাঞ্জলনা অর্সনেলবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী টাইটল ফংনবগী আশা অমা লৈহনখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখিবদগী অমনা অমদা হেনজিনবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদদি টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা অর্সনেলগী মায়কৈদা এটেক তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই দেলে আলিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অর্সনেলবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা মতুং টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল চনবগী খুদোংচাবা লৈরবা বোল অমা অর্সনেলগী দিফেন্দরশিংনা নিয়ম লান্না বোল থিং লুবগীদমক রেফরিনা পেনাল্টি অমা টোটেহাম হোটস্পরগী মায়কৈদা পীখি।

শান্নবগী ৫৮ শুবদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফংখিবা পেনাল্টি অদু হেরি কেননা অশোয়–অঙাম য়াওদনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অর্সনেলবু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী গোল এরিয়াদা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু টোটেনহাম হোটস্পরনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৭৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। চেলসিনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৮১ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ইটালিগী খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরিবা এসএসসি নাপোলিনা ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এসএসসি নাপোলিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী ৪৩ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই জোস মারিয়া কালেজোননা চনখিবনি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবামেটচ অমদা এটলেটিকো বিলবাউনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা এটলেটিকো বিলবাউগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা এটলেটিকো বিলবাউগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই রাউল গার্সিয়ানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সেল্টা ভিগোবু ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা এটলেটিকো বিলবাউগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা হাল্ফ অদুগী হৌরকপা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা এটলেটিকো বিলবাউগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রাউল গার্সিয়ানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা সেল্টা ভিগোবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অনী মাঙজিল থারবা এটলেটিকো বিলবাউগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা চথরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মাইকেল রিকোনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লবা মতুং শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু এটলেটিকো বিলবাউনা সেল্টা ভিগোবু ৩–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী খ্বাইদগী চাউবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লিগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নিসনা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নিসকী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা মারিও বালোটেল্লিনা অমা, শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা রিকার্দো পেরৈরানা অমা অমসুং শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা অনাষ্টাসিয়োসনা চনখিবনি। অদুগা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা মার্কুইনহোনা চনখিবনি।

# হান্নগী ইন্দিয়ান হোক্কি টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা সরদার সিংহ হোক্কি ইন্দিয়ানা খেল রত্ন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০১ঃ*

ইন্দিয়াগী নেসনেল হোক্কি টিমদা হান্না কেপ্টেন ওইরম্লবা সরদার সিংহবু হোক্কি ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা শান্নরোইশিংগী মনা অমা ওইরিবা খেল রত্ন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি সরদার সিংহ মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা পোলেন্দদা ২০০৩–০৪ দা চৎখিবা টুর অদুদা অহানবা ওইনা জুনিয়র শান্নরোই অমা ওইনা শান্নবা হৌরকখি। লোয়ননা সুলটান অজলান সাহ কপ ২০০৮ দা মহাক্না ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চহী নৌবা কেপ্টেন ওইনা লুচিংখিবনি।



সরদার সিংহ কুমজা ২০১২ দা আর্জুনা এৱাদ ফংখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫ দা পদ্মা শ্রী এৱার্দসু ফংখিবা শান্নরোই অমনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা হোক্কি শান্নরোই এসভি সুনিল, ধরমবির সিংহ অমসুং দিপিকাসু আর্জুনা এৱার্দকীদমক হোক্কি ইন্দিয়ানা রিকমেন্দ তৌখি।

হোক্কি ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী হোক্কিগী কোচ ওইরিবা সন্দিপ সঙ্গৱান অমসুং রোমেস পথানিয়াসু দ্রোনাচয্য এৱাদকীদমক রিকমেন্দ তৌখি।

# অন্দর ১৯ নেসনেল কেম্প ২০১৭ পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল,মে ০১ঃ*

মেগী ৮ দগী ২৮ ফাওবা ত্রিপুরাগী অগরটালাদা অন্দর ১৯ নেসনেল কেম্প ২০১৭ পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই ৪ খনখি। খল্লবা শান্নরোই মরি অসি থা অসিগী ২২ দা বেঙ্গলোরদা লৈবা নেসনেল ক্রিকেট একাদেবীদা ওল ইন্দিয়া য়ুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিনা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মণিপুরগী শান্নরোই মরি খনখিবনি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি ত্রাউ ক্লাকৈথেলদগী ঙারিয়ানবম জোসন সিংহ, পি টি আর সি দগী রজকুমার রেক্স সিংহ, এস সি সি সি সনদিপ চক্রবোরটি অমদি সাইক্লোন সি সি দগী এলফ্রেদ হমারনি।

# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম আইসিসিগী ৩ শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

*দুবাই,মে ০১ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী ঙসি খ্বাইদগী নৌবা টিমশিংগী লিষ্ট থাদোরকখিবদা ইন্দিয়ানা হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী পোইন্ট ৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

ইন্দিয়ানা আইসিসিগী অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট অদুদা পুন্না পোইন্ট ১১৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। অদুগা সাউথ অফ্রিকানা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা পুন্না পোইন্ট ১২৩ ফংলগা অহানবা পোজিসন অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ১১৮ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি।

# নেসনেল জজ একজামিনেসনদা মণিপুরদগী শান্নরোই অহুম পাস তৌরক্লে

*ইম্ফাল,মে ০১ঃ*

হৌখিবা ২০১৬ গী মার্চ কী তাং ২৫ দগী ২৭ ফাওবা য়ু পি গী বুলানোসরদা পাঙথোকখিবা ৫৬ শুবা সেনিয়র নেসনেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ এন্দ ১১শুবা ৱুমেনস ফিটনেস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ দা নেসনেল জস এক্সামিনেসন পাঙথোকখিবা অদুনা মণিপুরদগী এ এম বি বি এ গী এক্তিব মেম্বর অহুম (৩) নেসনেল জজ পাস তৌরক্লে। পাস তৌরক্লবা নেসনেল জজ অহুম অসিবু ঙসি এ এম বি বি এ গী প্রসিদেন্ট এল মাংতেম সিংহ না প্রসাইদ তৌদুনা হরাও–নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা এ এম বি বি এ গী ওফিস তা পাঙথোকখি।



এল নবকুমার



এন লোকেন্দ্রো



এম তোম্বী

মখোয় অদুদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ককচিংদগী এম তোম্বী সিংহ, ককচিং দিষ্ট্রিক্টদগী নাওরেম লোকেন্দ্রো সিংহ, ইম্ফাল ৱেট দিষ্ট্রিক্ট পীশুম নিঙোম লৈকায়দগী এল নবাকান্তা মৈতৈ নি।

# ভিকাস কৃষ্ণন অমদি গৌরভ বিধুরি ক্বার্টর য়ৌখ্রে

*টাস্কেন্ট,মে ০১ঃ*

উজবেকিষ্টানগী সহর টাস্কেন্টতা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ভিকাস কৃষ্ণন অমসুং গৌরভ বিধুরি মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী ভিকাস কৃষ্ণননা কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিগী ঙসি থিন্নখিবা বাউট অমদা থাইলেন্দগী পাথোমসাক কুট্টিয়াবু মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী গৌরভ বিধুরিনা অতোপ্পা থাইলেন্দগী বোক্সর য়ুটাপোং টৌঙদিবু মায়থিবা পীরম্বনি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম পোর্টুগালগী ক্লব ইষ্টোরিলগী মখুত্তা পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিখ্রে

*লিসবোন,মে ০১ঃ*

ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্না হেন্না চাউখৎনবগী শরুক অমা ওইরিবা য়ুরোপিয়ান টুরগী মনুং চন্না পোর্টুগালগী ক্লবশিংগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচশিংগী মনুংদা ঙসি শান্নখিবদা ইষ্টোরিলনা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু হৌরকপদগী হৌনা ইষ্টোরিলগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনখি। শান্নবগী ৮ শুবা মিনটতা ইষ্টোরিলগী মোন্টেরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পোর্টুগালগী ক্লব ইষ্টোরিলগী অতোপ্পা পাঞ্জল অহুম অদুনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা ভেলেজনা অমা, শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা বর্নার্দোনা অমা অমসুং শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা এন্দ্রাদেনা অমা চনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা রাহুলনা পীরকপা য়াম্না ফজবা ক্রোস অমা টিমমেট রহিম আলিনা নীংথিনা কলেক্ট তৌরগা গোল তম্না কাউশিনখিবদা পাঞ্জল ওইবা ঙমখি।

# বৃটেনগী এন্দি মুরেনা টেন্নিস মশান্নগী রেঙ্কিংগী অহানবদা লৈরি

*পেরিস,মে ০১ঃ*

টেন্নিস মশান্নগী খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা বৃটেনগী এন্দি মুরেনা পুন্না পোইন্ট ১১,৮৭০ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ঙরাং লোইশিনখিবা বার্সেলোনা ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখিবা স্পেনগী রাফেল নদাল মহাক্কী হান্না লৈখিবা পোজিসন অদু হোংবা ঙমদনা ৫ শুবা পোজিসনদা লৈরি। অনীশুবা পোজিসননা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং অহুমশুবা পোজিসন অদুনা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা ফংলি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*